# ন্যুক্লিয়ার রিয়েক্টর ৭ শারি, ১৭ অমগসু শান্নবা থৌরাং তৌরি ঃ এটোমিক ইনর্জি সেক্রেটরি কে এন ব্যাস



**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সি)ঃ** এটোমিক পৱার রিয়েক্টরশিং শাবদা ষ্টেন্দরদাইজেসন হেনগৎহন্নবা অমসুং মোদুলারিটি লৈহন্নবা ন্যুক্লিয়ার পৱার কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদ নৎত্রগা এন পি সি আই এল না তুংগী প্রোজেক্টশিংগীদমক ফ্লীট মোদতা শান্নবা থবক চংশিল্লি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ এটোমিক ইনর্জি সেক্রেটরি কে এন ব্যাসনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ান ইনর্জি ফোরমগী ন্যুক্লিয়ার কনক্লেবতা মানা ঙরাং ৱা ঙাংবদা হায়খি, অনৌবা ন্যুক্লিয়ার রিয়েক্টর ১৭ অমগসু শান্নবগী থৌরাং তৌদুনা লৈরি। ন্যুক্লিয়ার রিয়েক্টর ৭তি হান্ননা শাবা হৌখ্রে।

এটোমিক ইনর্জি কমিসনগী চিয়ারমেনসু ওইরিবা মিষ্টর ব্যাসনা হায়খি, শাবদা পুল্লপ ওইবা মওংদা ঐখোয়না চত্থরি, মসিনা শাবগী অচঙমন হন্থহল্লি অদুগা শান্নবগী মতম থুজিলহল্লি।

লৈবাক অসিদা এসিয়াগী অহানবা রিছার্স রিয়েক্টর চল্লাইবা হৌখিবগা লোয়ননা ন্যুক্লিয়ার ইনর্জিগী হিরমদা ইন্দিয়া অরিবা লৈবাক অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। ঐখোয়গী খঙবা হৈবা-শিংবা অসুক্কী মতিক য়ান্না লৈরে। হৌখিবা চহী দিকেদ খরখক্কী মতমদা ন্যুক্লিয়ার রিয়েক্টর ২২ শাবা ঙমখ্রে। মদুগী মনুংদা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা ৭শুবা ফ্লীট অদুসু য়াওরি হায়না মিষ্টর ব্যাসনা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াদুনা প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিসকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট জিটেন্দর সিংহনা ন্যুক্লিয়ার ইনর্জি শিজিন্নবগী মতাংদা মীয়ামদা লান্না থাজরিবা খরা অদু কোকহন্নবা ৱাখন তাহনবগী মথৌ তাবা লৈ হায়খি।

ন্যুক্লিয়ার ইনর্জি অসি লৈবাক অসিগী হেনগৎলক্লিবা ন্যুক্লিয়ারগী দিমান্দশিং অদু ফংহনবা ঙমহন্নবগী ইনর্জিগী ছোর্স অমনি অমসুং মীওইবগী নুমিৎ খুদিংগী লেল্লিবা পূন্সিগী কোমথোকহন্নবী মচাক অমসুনি হায়না মহাক্না হায়খি।

হান্নগী এটোমিক ইনর্জি কমিসনগী চিয়ারমেন অনিল কাকোদকরনা মপান লৈবাক্তগী পুশিলক্লিবা য়ুরেনিয়মনা ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামগী শাইজ হেনগৎহনবসু ঙমগনি হায়খি।

২০০৮তা ইন্দিয়াদা ন্যুক্লিয়ার সপ্লাইয়রস গ্রুপ নৎত্রগা এন এস জিগী কোমথোকপা ফংহনখিবা অদু পল্লদুনা হৌজিক্তি ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামদা অপনবা খুরৌ থোইনা লৈত্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

## নার্কোটিক্স ব্যুরোনা নার্কোটিক্স কেজি ২০০০, মীওই ২৭ ফাখ্রে

**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সি)ঃ** থা অমা ফাদ্রিঙৈগী মতম মনুংদা লৈবাকসিগী মফম কয়াদা দ্রগশিং হুরান-লল্লোনবগী থবক তৌবগীদমক নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোনা মীরৈবাক মচা ৬ য়াওনা মীওই ২৭ অমসুং নার্কোটিক্স কেজি ২,০০০ হেন্না ফাখ্রে হায়না ঙরাং ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চয়োল ৩দা গঞ্জা কেজি ৮৭৯.৮০, মোরফিন কেজি ২২, হেরোইন কেজি ৫৪২৬, কেটামিন কেজি ১১৫৫, চরস কেজি ৭, কানি ১০.৩ অমসুং মথামফেটামিন কেজি ১.২২ ফাগৎখি হায়না সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

## দিব্রুগড়দা গ্যাস সিলিন্দর পোকখায়বদা মীওই ৫ শিখ্রে

**দিব্রুগড়, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সি)ঃ** অপ্পর অসামগী দিব্রুগড়দা য়ুম অমদা মৈ চাকপগী থৌদোক অমদগী ঙসি থাংজ নুমিৎতা এল পি জি সিলিন্দরসু পোকখায়রকপদা ইমুং অদুগী মীওই ৪ য়াওনা মীওই ৫ শিখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং অয়ুক পূং ১ রোম তাবদা এল পি জি সিলিন্দর অমা পোকখায়খি। মদুদা য়ুম ৩ চাকখি। য়ুম অদুদা মখোয় মীওই ৫ তুমদুনা লৈখিবনি হায়না দিব্রুগড় সুপারিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস গৌতম বোরানা হায়খি। অসাম চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দা সোনোৱালনা লৈখিদ্রবশিংগীদমক লূপা লাক্ষ ৪গী এক্সগ্রেসিয়া পীনবা লাওথোকখ্রে।

# য়ু পি হিন্দু গ্রুপ লিদরগী মীহাৎতা চেন্নবা ৫ ফাগৎপা ঙমখ্রে

**লক্ষ্ণৌ, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সি)ঃ** উত্তর প্রদেশতা হিন্দু সমাজ পার্টি কৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমগী লূচিংবা কামলেস তিৱারিবু ঙরাং লক্ষ্ণৌদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা হাৎখিবা অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ৫ ফাগৎপা ঙমখ্রে।

কামলেস তিৱারিগী য়ুমগী মপান্দগী সিক্যুরিটি ফুটেজ অদু পুলিসনা য়েঙখি। ফুটেজ অদুনা খূৎলাইশিং লেন্না হাপ্পা ওইগনি হায়না পুলিসনা থাজবা অথুম-অহাওশিংগী বোক্স অমা য়াওবা বেগ অমা পুবা নুপী অমা অমসুং নুপা অনী উৎখি।

অহৌবদগী হৌনা ঐখোয়না মীহাৎকী থৌরাং অসি গুজরাতকা মরী লৈনগনি খনখি। সি সি টিভি ফুটেজ অদুনা অথুম অহাও হাপ্পা বোক্স অদু গুজরাতকী সুরাততা লৈবা কনফেক্সনরি অমদগীনি হায়বা তাকই হায়না উত্তর প্রদেশকী দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস ও পি সিংহনা ঙসি ফোঙদোকখি।

গুজরাত অমসুং উত্তর প্রদেশ, ষ্টেট অনী অসিগী পুলিস ফোর্সশিং পূন্না চত্থবা ওপরেসন অমদা গুজরাততা মীওই ৩ ফাখি। নোংচুপ থংবা উত্তর প্রদেশকী বিজনোর দিষ্ট্রিক্টতগী মুস্লিম ক্লেরিক ২সু ফাখি।

এটেক অদু পাংথোকখিবনি থাজবা অতোপ্পা মীওই ২দি হৌজিক ফাওবা ফাবা ঙমদনা চেন্দুনা লৈরি হায়না মহাক্না হায়খি।



গুজরাততা ফারবা মীওইশিং অদুদি -মৌলানা মোহসিন শেখ (২৪), রসিদ অহমেদ প্রথান (২৩) অমসুং ফৈজান (২১)নি।

উত্তর প্রদেশতগী ফারিবা ক্লেরিকশিং অদুনা মৌলানা অনৱার-অল হক অমসুং মুফতি নায়ীম কাজমিননি।

মীহাৎ অসিবু শিল্লিবা মীওই অদু রসিদ পথাননি হায়না পুলিসনা থাজরি। অদুগা ফায়জালনা মিষ্টর টিৱারিগী য়ুমদা চংবা য়ান্নবদা মীহাৎপশিং অদুনা শিজিন্নখিবা অথুম-অহাওশিংগী বোক্সশিং লৈখিবনি।

মীহাৎ অসিদা থিজিনবদা মসি টেরোরিষ্টশিংগা মরী লৈনরম্বা য়াবগী মওং লৈতে। মীহাৎ অদুগী মরুওইবা ৱাখলদি ২০১৫দা প্রোফেট মহমদকী মতাংদা মিষ্টর টিৱারিনা ঙাংখিবা ঈজৎ মাঙহনবা অথীবা ৱহৈ-ৱাতা অদুননি হায়না দি জি পি অসিনা ফোঙদোকখি।

২০১৬দা এফ আই আরদা মরান শীবদা মমিং য়ারিবা ক্লেরিকশিং অদুগী মনুংদগী অমনা কামলেস তিৱারি হাৎপদা লূপা লাক্ষ ৫১গী মনা পীগনি হায়খিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

ৱাহং পাউহং চত্থরকপদা ফারবা মীওইশিং অসিনা মখোয় মীহাৎতা য়াওই হায়বা মশানা য়াজখ্রে।

মীওইশিং অদু ফাবগী পাউ অদুগী মতাংদা পাউখুম পীরদুনা কমলেস তিৱারিগী মচানুপাশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা সত্যম তিৱারিনা মীহাৎসিগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থবদা য়ু পি এদমিনষ্ট্রেসনগী মথক্তা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

মীওইশিং অসিনা ঐগী ইপা অদুবু হাৎখিব্রা নৎত্রগা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমনা থবক অদু পাংথোকখ্রগা মরান লৈতবা মীওইশিং ওইনা ফারব্রা হায়বসি ঐহাক খঙবা ঙমদে। করিগুম্বা মখোয় অসি অশেংবা মরাননৈবশিং অদু ওইরবা অমসুং পুলিসনা ভিদিও ইভেন্স পীরবদি এন আই এনা থিজিনবা অসি পায়গদবনি।

করিগুম্বা মখোয়না থিজিল্লিবসি অমসুং ফারিবশিং অসি অচুম্বনি হায়না প্রমান পীরবদি ঐখোয় পেনগনি। এদমিনিষ্ট্রেসন অসিদা ঐখোয়গী থাজবা থমদে হায়না মহাক্না ঙসি ফোঙদোকখি।

ঙরাং ইরাইগী নুমিদাংদা কমলেস তিৱারিগী লোয়নবী নুপীনা মহাকপু অমসুং লৈখিদ্রবগী ইমুংবু উত্তর প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর য়োগী আদিত্যা নাথনা উন্নরগদবনি হায়না দিমান্দ তৌখি।

মাগী মপুরোইবা হাৎপশিং অদুবু অচুম্বা চৈরাক ফংহন্দ্রবদি মশা মতোমতা মৈ থাজদুনা শিজগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মশাগী চহী ৪৩ শুরবা কমলেস তিৱারিবু লক্ষ্ণৌগী নাকা হিন্দোলাদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতমদা হাৎখিবনি। মহাক্কী মখৌরি লেনথৎলমখি অমসুং কয়ারক হন্না নোংমৈনা কাপলমখি। মহাক হোস্পিটালদা পুখৎলকপদা লম্বীদা শিখিবনি। মহাক্কী ইমুংমনুংগী মীওইশিং অমসুং শৌগৎপা মীওই ময়াম্না মহাক্কী হকচাং থম্লিবা হেস্পিটাল অদুগী মোর্চুরিগী মপান্দা প্রোটেষ্ট তৌখি।

# নখোয়গী থবক শেনমিৎলোন ফগৎহনবনি, কোয়চৎ চৎতুনা কোমিদি সর্কাস তৌবা নৎতে ঃ প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রা



**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সি)ঃ** ইকোনোমিক্সকী নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবা অভিজিত বেনর্জিগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পিয়ুশ গোয়ালনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুগী মতাংদা কোংগ্রেস লূচিংবী প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রানা গভর্ণমেন্টকী থবক্তি কায়থরক্লিবা লৈবাক্কী শেন-থুমগী ফিভম ফগৎহনবনি, কোয়চৎ চৎতুনা কোমেদি সর্কাস অমা শান্নবা নৎতে হায়না মিনিষ্টর অসিদা চৈখ্রে।

কোংগ্রেস পার্টিদি ইন্দিয়ান ভোটরশিংনা য়াখিদ্রবা পার্টিনি মীখলদা মায়থিখ্রবনি। অদুগুম্বা মীয়ামনা য়াদ্রবা কোংগ্রেসনা হৌদোকখিবা মখোয়গী মিনিমম ইনকম স্কিম 'ন্যায়' অদু অভিজিত বেনর্জিনা শৌগৎলি অমসুং নোবেল প্রাইজ ফংজরবসু মহাক্না খল্লিবা ৱাখল্লোন অদু হেক্তা য়াবগী মথৌ তাদে হায়না ঙরাং মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়ালনা হায়খি।

চহী অসিগী এপ্রিল-মেদা পাংথোকখিবা লোক সভা মীখল অদুগীদমক 'ন্যায়' স্কিম অদুনা কোংগ্রেস মেনিফেষ্টোগী মরুওইশিংগী মনুংদা অমা ওইখিবনি। অদুগুম্বা ফজরে হায়না স্কিম অদু ফনা পুথোক্তুনসু মীখল অদুদা কোংগ্রস পার্টি শরু শোক্লা মায়থিহৌখিবনি।

পুনেদা পাউমীশিংদা পীবা শন্নপ্পা পাউদম অমদা য়ুনিয়ন কম্মর্স এন্দ ইন্দস্ট্রি মিনিষ্টরনা নেভেল লোরেত অভিজিত বেনর্জিবু লেফ্টকী ৱাখল্লোন লৈবা মীওই অমনি হায়খি।

অদুগুম্বা মহাক্কী ৱাঙাংশিং অদুগীদমক পিয়ুস গোয়ালদা চৈরদুনা প্রিয়াঙ্কা গান্ধীনা মখোয়গী মথৌ তৌবগী মহুৎতা বি জে পি লূচিংবশিংনা অতোপ্পগী শীংথানিঙাই ওইবা থবকশিংবু মশীং থাদনবা হন্থহন্নবা হোৎনদুনা লৈরে হায়খি।

নোবেল লোরেট অদুনা থম্মোয় শেংনা মহাক্কী থবক তৌখি অমসুং নোবেল প্রাইজ অদু ফংখিবনি হায়না মহাক্না ত্বিইট অমদা হিন্দিদা হায়খি।

লৈবাক্কী শেন-থুমগী ফিভম কায়থরক্লি, নখোয়গী থবক্তি মসি ফগৎহনবনি। কোয়চৎ চৎতুনা অপঙবশিংগী মীৎ থকহনবা ফাগী-জোগাইগী সর্কাস উৎপা নৎতে হায়না কোংগ্রেস জেনরেল সেক্রেটরি অদুনা হায়খি।

নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টকী ইকোনোমিক পোলিসিশিংবু য়াখিদবা ইন্দিয়ান-অমেরিকান অভিজিত বেনর্জিনা ২০১৯ নোবেল প্রাইজ ইকোনোমিক সাইন্সেস অদু ফংখিবনি।

# বিলাৱাল ভুত্তোনা লৈবাক শিনথুংনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্টশিং চত্থনবা লাওথোকখ্রে

**কারাচি, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সি)ঃ** পাকিস্তানগী ওপোজিসন লিদর বিলাৱাল ভুত্তো-জরদারিনা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান ফম থাদোক্লবা অমসুং লৈবাক অসিদা অশেংবা দিমোক্রেসি অমুক হঞ্জিহন্নবা লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা মহাক্কী পার্টিনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট খোঙজং চংশিল্লগনি লাওথোকখ্রে।

ওপোজিসনগী প্রোটেষ্ট খোঙজং অসিগী য়েঙলগা পাকিস্তান গভর্ণমেন্টনা ইস্লামাবাদতা আর্মি কৌথোক্লবা য়ারি।

পাকিস্তান পিপলস পার্টি (পি পি পি)গী চিয়ারমেন বিলাৱাল ভুত্তোনা হায়খি, মীয়ামদা গভর্ণমেন্ট অসিগী থাজনিঙাই ওইবা মাঙখ্রে। গভর্ণমেন্ট অসিনা শকখিবা ৱাশকশিং অমত্তা মপুং ফানা পাংথোকপা ঙমদ্রে। লৈবাক অসিদা দেমোক্রেসি অমুক হন্না থম্বনা ঐখোয়গী দিমান্দনি হায়না কারাচিদা পাংথোকপা পার্টিগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা মহাক্না হায়খি।

ঐখোয়না মসিগী খূৎশেমগী দেমোক্রেসি অসি য়াবা ঙম্লোই। মীয়ামগী দেমোক্রেটিক অমসুং সোসিও দিমোক্রেটিক ৱাইটশিং হঞ্জিনহনগদবনি অমসুং ইমরান খান ফম থাদোকদবনি।

গভর্ণমেন্ট অসি শোয়দনমক ফম থাদোক্কদবনি হায়না ওপোজিসন পার্টি পূন্নমক্না ৱারেপ লৌখ্রে হায়না মশাগী চহী ৩১ শুরবা বিলাৱালনা হায়খি।



গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা চংশিনবা ঐখোয়গী খোঙজং কারাচিদগী হৌখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পাংথোক্কদৌরিবা মখা তাবা প্রোটেষ্টশিংগী মহাক্কী থৌরাং অদু লাওথোক্লদুনা মহাক্ন হায়খি।

পি পি পিনা ওক্টোবর ২৩দা থরদা প্রোটেষ্ট তৌগনি। সিন্ধা প্রোভিন্সকী কিস্মোরদা ওক্টোবর ২৬তা দেমোষ্ট্রেসন পাংথোক্কনি অদুগা নবেম্বর ১দা পঞ্জাবতা রেল্লিশিং হৌগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ঐখোয়না লৈবাক অসিগী মফম শিনবা-থুংনা কোয়না চৎকনি, নহাক, ইমরান খান চৎখিবা তাবনি। লৈবাক অসিগী কাচিন-কোয়া খুদিংমক্তা ঐখোয়না নহাক্কী থবক তৌবা ঙমদবা মতিক চাদবা অদু উৎথোক্কনি হায়না হায়খি।

পি পি পি লূচিংবা অসিনা মমাঙগী ২০১৮গী মীখল অদুবুসু পাকশন্না অরানবা তৌখিবনি হায়না মরান শীখি। মীখল অদুদা আইননা অথিংবা থম্লবা লূপশিং ফাওবা কন্টেষ্ট তৌবগী অয়াবা পীখি।

পোলিং ষ্টেসনশিংগী মনুংদা আর্মি পার্সোন্নেল থমখি। মদুগী থাজনিঙাই ওইবদু ৱাহং হংনিংঙাই ওই।

কাশ্মিরগী ৱাথোক্কী মতাংদসু হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্লোইশিং অসিনা লান্না কোম্প্রোমাইজ তৌখি হায়না বিলাৱালনা হায়খি।

অরানবা মীখলশিংগী খূৎথাংদা শক্তি পায়রকখিবনি হায়না মরান শীরদুনা ইমরান খান গভর্ণমেন্টপু লৌথোক্লবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা কৌখিবা প্রোটেষ্ট খোঙচৎ অমা ঙাকথোক্লবা পাকিস্তান গভর্ণমেন্টনা ইস্লামাবাদতা আর্মি ট্রুপশিং কৌথোক্লবা য়াই হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা ওক্টোবর ৩১দা ইস্লামাবাদতা মহাক্না চংশিনগনি হায়না জামিয়াত উলেমা-ই-ইস্লাম (জে য়ু আই-এফ) চীফ মৌলানা ফাজননা লাওথোকখ্রে।

পি এম এল-এন, পি পি পি, এ এম পি অমসুং পি কে এম এ পি য়াওনা মরুওইবা ওপোজিসন পার্টি পূন্নমক 'অজাদি মার্চ' হায়বা খোঙচৎ অদু শৌগৎকনি লাওথোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী রেসিদেন্সতা মীফম অমা পাংথোক্তুনা খোঙচৎ অদু মায়োক্লনবগী তোঙান তোঙানবা তৌবা য়াবা খন্নখ্রে।

লো এন্দ ওর্দরগী ফিভমগী মতাংদা পাংথোকখিবা মীফম অদুনা মরুওইবা গভর্ণমেন্টকী বিল্ডিংশিং অমসুং ফোরেন এম্বেসিশিং সেক্যুরিটি পীনবগীসু খন্নখি।

মৌলানা ফজল য়াওনা ওপোজিসন লূচিংবা পূন্নমক্না গভর্ণমেন্টকা ৱারী শান্ননবা ৱারেপ লৌখ্রে। করিগুম্বা মদুদা য়ানবা পুরক্রবদি গভর্ণমেন্টকী বিল্ডিংশিং অমসুং মরুওইবা ইনষ্টোলেসনশিং ঙাক্লবা আর্মি ট্রুপশিং দিপ্লোই তৌবা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে।

অদুম ওইনমক, আর্ম ফোর্সশিং কৌথোক্কদ্রা হায়বগী অরোইবা ৱারেপ অদু ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা লৌগনি হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

# সেপরেটিষ্ট মিল্লিয় তঙ্খাই অমরোমনা রেল্লি তৌরকখিবগা সেন্ট্রেল বরসেনোলাদা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে

**বরসেলোনা, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সি)ঃ** স্পেনদা কাটালোনিয়াগী সেপরেটিষ্ট লূচিংবা ৯ ফাদুনা জেলদা থম্বগী মতাংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মীওই মিল্লিয়ন তঙ্খাই অমা হেনবনা শরুক য়ারকখ্রবা য়াল্লবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমগী মতাই নাকনলোমদা মায়খুম উপ্পা নহা চা কয়ানা বরসেলোনাদা পুলিসকা য়ান্না শাওনা খূৎ থোক্লখ্রে।




নিংথৌকাবা নুমিৎকী অচৌবা ৱায়েল অদুগী মতুংদা স্পেনগী ইনাক খুল্লবা অৱাং নোপোক লমদম অসিদা নীংতম্বা শৌগৎপা মীওই লিশিং কয়ানা হান্নদগী ষ্ট্রিটশিংদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌরকখ্রবনি। মদুগী মতুংদগী ঙরাং ইরাই নুমিৎকী প্রোটেষ্টনা মসিনা খ্বাইদগী চাওবা মীয়াম পূনবা ওইখি।

ঙরাং ইরাই নুমিৎকী অচৌবা প্রোটেষ্ট অদুদা মীওই ৫২৫,০০০ শরুক য়াখি। চহী অনীগী মমাঙদা ইন্দিপেন্দেন্স লাওথোকখিবা অমসুং অথিংবা রিফরেন্দম অমা পাংথোকখিবগী মতাংদগী স্পেনগী সুপ্রিম কোর্টনা সেপরেটিষ্ট ৯বু অশাংবা জেলগী চৈরাকশিং পীখিবা অদুগী মতুংদগী মসিনা খ্বাইদগী নৌবা অশাওবা ফোঙদোকপা মীয়াম অমনি।

য়ানীংদবগী চৎলিবা খোঙচৎলোইশিং অদুগী অয়াম্বা শান্তি ওইনা চৎপা উরবসু ভিয়া লাইটেনোদা নহা প্রোটেষ্টর কয়ামরুন্না চাওনা মৈ থাদুনা অতিয়াদা অমুবা মৈখু মপৈ-মপৈশিং কাহল্লকপগা লোয়ননা থুগাই-যৈখাইবগী থবকশিং চত্থখি। মখোয়বু তাম্থোক্লবা পুলিসনা টিয়ার গ্যাসশিং কাপখি হায়না এ এফকী করেস্পোন্টে অমনা হায়খি।

চৎলিবা মীয়াম অদুগী মরক্তা ৱার্কিং বুটশিং তোংবা অমসুং হাইকিং তৌনবগী চৈশিং পায়বা কয়া য়াওনা ফ্রীদম মার্চর লিশিং কয়ানা কতালোনিয়াগী কোনুং তন্না লাক্লবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রিজনেল টাউন ৫দগী খোঙশান্নরকখি।

এক্টিভিষ্টশিং অদুনা ফ্রান্সকা তাইনবদা লৈরিবা ঙমখৈ লান্না চৎপা কতালোনিয়াগী মরুওইবা হায়ৱে অদুসু থিংজিন্দুনা থমখি।

মেদ্রিদনা বেসিক ৱাইটশিং য়াওনা খুদিংমক্কী মথক্তা স্পেনিস য়ুনিটিবু থম্লি হায়না 'নো সেরেন্দর' হায়না থাবা বেজ অমা থেৎপা থবক্তগী পোত্থারবা উকিল জাউমে এনরিটচনা এ এফ পিদা হায়খি।

## উচেকনা থেংজিন্দুনা 'দুমসদে' প্লেনদা মিল্লিয়ন কয়া মাঙহনখ্রে

**ৱাসিংটন, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সি)ঃ** য়ু এস নেভিগী 'দুমসদে' প্লেন অদু মেরিলেন্দদা মতম শাংনা খামদুনা থন্নবগী নৎখিদে। ন্যুক্লিয়ার ৱার অমা থোক্লকপা মতমদা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং অমা লৌনবগী দিজাইন তৌখিবা 'অপাইবা কম্যুনিকেসন্স এন্দ কম্মান্দ পোষ্ট' অমা ওইরিবা ই-৬ বি মর্করি অদু অমুক পাইখৎত্রিঙৈগী মমাঙ ঙাইহাক্তমক লৈরমগদবনি। অদুবু পেতুকসেন্ট রিভর নেভেল এয়ার ষ্টেসনদা এয়ারক্রাফ অদু প্লানগী মতুং ইনবগী মহুৎতা ওন্ন-তৈনবা থৌদোক থোকখ্রে।

ওক্টোবর ২দা ঙৈহাক্তংগী লেন্দিং তৌরকপদা ফেরেং-তুরেং পাইশিল্লকখিবা উচেক অমনা প্লেনগী ইঞ্জিন ৪গী মনুংদগী ইঞ্জিন অমা শোকহন্দুনা য়ামদ্রবদা দোল্লর মিল্লিয়ন ২ মাঙহনখ্রে। দোল্লর মিল্লিয় ১৪১.৭পীবা প্লেন অদুগা থেঙ্গাইনখিবা অদু করি উচেক্নো খঙখিদে।

ই-৬ বি মর্করি প্লেনশিং নেভিগী 'টেক চার্জ এন্দ মুভ আউট' (টাকামো)মিসনগী মরুওইবা মচাক অমনি। বোইং কম্মর্সিয়েল ৭০৭ জেট তগী শেমদোকপা এয়ারক্রাফ অসিনা লান থোক্লকপা মতমদা লৈকং, নোংথক অমসুং সমুদ্রদগী ন্যুক্লিয়ার খূৎশু-খূৎলাইগী পুক্কে অদুগা য়ু এস লূচিংবশিংগা শন্নহল্লি। ফুট ১৫০ হেন্না শাংবা ফুট ৪২ ৱাংবা প্লেন অসিনা পুংদা মাইল ১২০ য়াংনা পাই অমসুং নোটিকেল মাইল ৬০০ শান্না পাইবা ঙম্মি।

## লৈশাবীগী মরীমতানা ক্লাস ১২ মহৈরোই ফুরগা হাৎখ্রে

**আগরতলা, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সি)ঃ** ট্রিপুরাগী খূঙ্গং অমদা লৈশাবীমচা অমগী য়ুমগী মনুংদা ক্লাস ১২কী মহৈরোই অমা শগোলশেল নুমিৎতা লৈরম্বা থেংনবদগী মীওই খূৎপু অমনা মহাকপু ফুরগা হাৎখ্রে।

মশাগী চহী ১৭ শুরবা রিপন শরকার কৌবা ক্লাস ১২ তম্লিবা মহৈরোই নুপামচা অদু ষ্টেট অসিগী কোনুং আগরতলাদগী কিলোমিটর ৪৫ লাপ্পা গোমতি দিষ্ট্রিক্টতা মাগী মখুরাগা লোয়ননা লৈবনি। মহাক্কী মমা-মপাশিংদি বাংলাদেশতা লৈ হায়না পুলিসনা হায়খি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা খূঞ্জাশিংনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না রিপন সরকারনা লৈশাবী মচা অদুগা নুংশিনৈ। লৈশাবী অদুগী মরী-মতাশিং অদুনা মহাকপু মখোয়গী য়ুমদা কৌরগা মমাঙদসু কিহনখ্রবনি হায়রি।

মীহাৎ অদুগী মতাংদা মীওই অমা ফাখ্রে অমসুং মীওই ৭কী মথক্তা কেস অমা লৌখৎখ্রে। হৌজিক ফাবা ঙমদ্রিবা মীওইশিং অদু ফানবা হোৎনরি হায়না পুলিসনা হায়রি।

নুপামচা অদুবু ময়াম চংদুনা ফুরে হায়বগী পাউ তাবদগী খুদক্তা মখুরা প্রফুল্ল সরকারসু লাক্তুনা থিঙনবা হোৎনখি অদুবু ঙমখিদে। পুলিসশিং মফম অদুদা থুনমক লাকখি অমসুং অরুবা ফিভমদা শোক্লবা মিষ্টর সরকারবু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখি অদুবু মহাক্না হোস্পিটাল অদু য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক হান্না শিরে হায়না দোক্টরশিং অদুনা হায়খি।


## বিল্ডিংনা মীওই কয়ামরুম ননশিনখ্রে

**বদোদরা, ওক্টোবর ১৯(এজেন্সি)ঃ** গুজরাতকী বদোদরা সিটিদা মথোল ৪গী কমর্সিয়েল বিল্ডিং অমা অমুক থুগাইবদা নিংখায়রকপদগী ঙসি য়ামদ্রবদা মীওই ১ শিরম্লবা য়াই অমসুং মীওই ৮লোম হেন্না ননশিন্দুনা লৈখ্রে হায়না অকিবা পোক্লরি।

খুদোঙথিবা থৌদোক অদু বদোদরা সিটিগী সানৈ এরিয়া কৌবা মফম অদুদা থোকখিবনি। মমিং চৎলবা ইঞ্জিনিয়ারিং কম্পেনি লার্সেন এন্দ টৌব্রোগী অরিবা বিল্ডিং অদু থবকশুবা শিন্নীশিংনা অনৌবা অমা শান্নবা থুগাইরকপদা বিল্ডিং অদু পুল্লপ নিংখাইরকখিবনি।

হৌজিক থিবা হুম্বা অমসুং মী কনবগী থবক চত্থরি অমসুং মফম অদুদা ফয়ার ব্রিগেদসশিংসু থুংলখ্রে।

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াওরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউ ঃ
ꯑꯌꯦꯛꯄꯥ ꯂꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯈꯦꯟꯅꯕꯥ ꯇꯔꯨꯛ ꯌꯥꯎꯔꯤ, ꯈꯦꯟꯅꯕꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨ ꯄꯨꯊꯣꯛꯎ :



## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-275**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 9 | | 2 | | | 4 | | |
| | | 6 | 9 | 4 | | 1 | | |
| | | 4 | | | 6 | 9 | 2 | |
| | | 9 | | 2 | | | 4 | 6 |
| 3 | 4 | | 1 | | | | 9 | |
| 6 | 2 | | | | 9 | 8 | | |
| | | 1 | 6 | 8 | | | | 4 |
| 5 | | | | 1 | 4 | 6 | | |
| | 6 | | | 9 | | | | 2 |

### GAS TODAY

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 20/09/19
alid : 19/09/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 01/10/19
Sl. No. : 3585
Valid : 01/10/19
Sl. No. : 2965
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 06/09/19
Stk : 150
Valid : 30/08/19
Sl. No. : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 08/10/19
Valid : 04/10/19
Stk : 918

**RBD Indane Service**
Booking : 28/09/19
Valid : 10/09/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

**Loktak Indane, Thanga**
Booking : Up to Date
Stk : 210
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First come First Serve

### সনা-সুদোকু - ২৭৪ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 8 | 1 | 7 | 2 | 6 | 9 | 3 | 5 |
| 2 | 7 | 5 | 9 | 3 | 8 | 1 | 4 | 6 |
| 6 | 3 | 9 | 1 | 4 | 5 | 2 | 7 | 8 |
| 9 | 5 | 2 | 3 | 7 | 1 | 6 | 8 | 4 |
| 7 | 1 | 8 | 2 | 6 | 4 | 3 | 5 | 9 |
| 3 | 6 | 4 | 5 | 8 | 9 | 7 | 1 | 2 |
| 1 | 9 | 6 | 4 | 5 | 7 | 8 | 2 | 3 |
| 5 | 2 | 7 | 8 | 9 | 3 | 4 | 6 | 1 |
| 8 | 4 | 3 | 6 | 1 | 2 | 5 | 9 | 7 |